# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 02-05-2026)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা উখ্রুল জিলাগী লিতান পুলিস ষ্টেসননা কোনবা মোংকোট চেপু, সোংথেল, মুলম, চিরারাখোং অমসুং রিংগুই ভিলেজতগী খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা মফম অদুদা থিবা হুম্বগী থবক চথ্বদা টুয়েল্ব বোর পম্প এক্সন গন অমা, তোঙান তোঙানবা নোংমৈশিংগী মরু ১৭, টোকিং ১১১, বেটরি চাজর অমা, মেগজিন হাপবা পাউস অমা, জঙ্গল বুথনচিংবা ফংবা ঙমলে।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা-তেংনৌপল জিলাগী মোরে পুলিস ষ্টেসননা কোনবা টি-বোংমোল ভিলেজদা থিবা হুম্বগী থবক চথ্বদা সিঙ্গল বেরেল রাইফল অনি, নাইন এম.এম. পিষ্টোল মরি, আই.ই.দি. ১৮, সভেন পোইন্ট সিক্স টুগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ১৫ ফংলে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা মোরে তমা পুশিন্নবা হোৎনরম্বা পেট্রোল্লিয়মগী পোৎলমশিং-পেট্রোল অমদি দিজল পুরম্বা গাড়ি মরি দ্রাইভরগা কোন্ননা ফারে। মোরে তমা পুশিন্নবা হোৎনরম্বা পেট্রোল অমসুং দিজলগী পোৎলমশিং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ককচিং জিলাগী সোরা মনিং লৈকাইদগী মীওই অমা ফারে।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লমলাই পুলিস ষ্টেসননা কোনবা শাজিব্রা জেল রোড-খাবৈসোইদগী হেরোইন পাউদর গ্রাম ১৫৪ গা কোন্ননা মীওই অমা ফারে। মহাক কাইরং খোমিদোক ময়াই লৈকাইদগীনি। পোৎলমশিং অদু মহাকা সাপোন কেপ অহুমদা হাপ্লগা পুরম্বনি হায়রি। মহাকা হায়দোরকপদগী ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী নোংমৈবুং নাবম চুথেক্তা লৈবা মীওই অমগী ময়ুমদা সাপোন কেপ ৮ দা হাপ্লগা থম্লম্বাহেরোইন পাউদরশিং ফাগৎলে।

সেনাপতি জিলাগী মরাম পুলিস ষ্টেসননা কোনবা সাইকুল বজারদগী মীওই অমসু হেরোইন পাউদর গ্রাম ৫৫১ গা কোন্ননা কবিনমদগী ফারে। মঙোন দগী চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা অমসুং মোবাইল ফোন লৌখৎলে।

**বার (এল)ঃ** ওল মনিপুর বার এসোসিয়েসন (অন্বা) না শিনদুনা সেন্সিতাইজেসন ওন এন.আর.সি. হায়বা হীরমদা ঙসি থৌরম অমা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা এম.এফ.দি.এসতা পাঙথোক্কনি।

থৌরম অসিদা এম.পি. বিমোল অকোইজম, সেনিয়ার এদভোকেট-খাইদেম মণি, থবক্তগী পোত্থরবা আই.এ.এস. ওফিসার-আর.কে. নিমাইনচিংবা শরুক য়াগনি।

**নোংঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়রি-মনিপুর, নাগালেন্দ, মিজোরাম, ত্রিপুরা, অসাম, মেঘালায়া, নোংচুপ বেঙ্গোলগী সব-হিমালয়ন অমসুং সিক্কিমদা ঙসি নোং কন্না চুগনি।

অরুনাচল প্রদেস, কেরলা, মহে, তামিল নাদু, পুচুচেরি অমসুং করাইকলদসু নোং কন্না চুগনি। বিহার, উরিষ্যা, ছাতিসগর, নোংচুপ রাজস্থান, ঝরখন্দ, মধ্য প্রদেস, অন্ত্র প্রদেসকী সমুদ্র মপানদা লৈবা মফমশিং অমসুং করনাতক্কাদসু ঙসি অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

**সিক্কিমঃ** জ্দিসিএরিগী থবক থৌরমদা চে-চাং শিজিন্নদবা লৈবাক অসিগী অহানবা রাজ্য সিক্কিমনা ওইরে।

গেংতোক্তা ঙরাং পাঙথোকপা মীফম অমদা চীফ জষ্টিস-সুরিয়াকান্তনা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। সিক্কিমগী মুখ্য মন্ত্রি-প্রেম সিংহ তমংনা হায়-খোঙথাং অসিনা রাজ্য অদুগী জ্দিসিএরি সিষ্টেমবু মতমগা চুন্নবা টেকোলোজি শিজিন্নদুনা থবক থৌরম পায়খৎপদা মনুং মপান ফাওনা উহনবগা লোয়ননা থবক থৌরম খুমাং চাউশিন্নবা ঙম্লগনি।

মহাকা হায়-মালেম অসিদা টেকোলোজি শিজিন্নবগী চাং হেনগৎলকপগা লোয়ননা ৱায়েল পথাপকী চৎন-কাঙলোনদা অনৌবা টেকোলোজি কয়া শিজিন্নবগী তঙাইফদবা কয়া লাক্লে। ই-ফাইলিং অমসুং দিজিটেল কেস মেনেজমেন্টনা ৱায়েল পীবা মতমদা হেন্না খুদোংচাহল্লে।

**মীখল ঃ** নোংচুপ বেঙ্গোলগী মাগ্রাহট পাসচিম বিধান সভা অমসুং দাইমন হারবর বিধান সভাদা ঙসি অমুক হন্না ভোট থাদনরি।

অনিশুবা তাঙ্কক্কী মীখলগা মরী লৈননা রিটর্নিং ওফিসারশিং অমসুং ওবজাভরশিংনা পীরকপা রিপোর্টকী মতুং ইন্না ইলেক্সন কম্মিসননা নুমিৎ অদুদা থাদখিবা ভোট অদু চৎনররোই হায়না লাউথোকখিবনি।

ঙসি অমুক হন্না পোল্লিং ষ্টেসন ১৫ দা অয়ুক পুং ৭ তগী অমুক হন্না ভোট থাদবা হৌখ্রে। মাগ্রাহট পাসচিম বিধান সভাগী পোল্লিং ষ্টেসন ১১ অমসুং দাইমন হারবর বিধান সভাগী পোল্লিং ষ্টেসন মরিদা অমুক হন্না ভোট থাদনরি।

অসাম, তামিল নাদু, কেরলম, নোংচুপ বেঙ্গোল অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটেরি পুচুরেগী ভোট মশিং লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা থিগনি।

**সেন্সসঃ** সেন্সস ২০২৭ কী অহানবা তাঙ্কক্কী হাউস লিষ্টিং অমসুং হাউজিং সেন্সস (ঐচ.এল.ও) গী ফিল্ড ওপরেসন রাজ্য খরদা পায়খৎপা হৌখ্রে।

অন্ধ্র প্রদেস, অরুনাচল প্রদেস, হরিয়ানা, চান্দিগর, মধ্য প্রদেস অমসুং ছাতিসগরদা ঙরাং য়ুম য়ুমদা চংদুনা দাটাশিং খোমগৎপগী থবকশিং হৌখ্রে। খোঙথাং অসি রাজ্যশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিদা নুমিৎ ১৫ নিগী সেল্ফ ইন্যুমেরেসন পাঙথোকখিবা অদু লোয়শিনখিবগা মরী লৈননা পায়খৎপনি।

গৃহ মন্ত্রালয়না হায়রি-দাটা খোমগৎপগী থবক অসি থা অসিগী ৩০ ফাওবা চখগনি। দিল্লিগী ম্যুনিসিপাল কোরপোরেসননা কোনবা মফমশিং, রাজস্থান, মহারাজস্ত্র, মেঘালয়া অমসুং ঝরখন্দদা সেন্সস ২০২৭ কা মরী লৈননা

পাঙথোকপা সেল্ফ ইন্যুমেরেসন ঙসিদগী হৌরগনি।

**মেঘালয়ঃ** মেঘায়লগী রাজ্যপাল-সি.ঐচ. বিজয়শঙ্করনা ঙরাং শিল্লোংদা লৈবা লোক ভাবনদা মীকোক থিবগী সেল্ফ ইন্যুমেরেসন কেম্পেইন হৌদোকখ্রে।

অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা মীকোক থিবা অসিগীদমক শেম শারিবশিং অদুগী মতাংদা দাইরেক্তোরেট ওফ সেন্সস ওপরেসনগী ওফিসিএলশিংনা রাজ্যপালদা পাউদমখি। হন্দক্কী মীকোক থিবা অসি দিজিটেল ওইনা তৌগনি। মীকোক থিবগী থবক অসি মথং থাগী ১৫ ফাওবা চত্থগনি। অহানবা তাঙ্কক্তা সেল্ফ ইন্যুমেরেসন অমসুং হাউস লিষ্টিং ওপরেসন পাঙথোক্কনি। মে ১৬ তগী জ়ন ১৬ ফাওবদনা সরকারনা খল্লবা ইন্যুমেরেটরশিংনা মীওই অমগী য়ুমলৈ কৈরৈ, লন-থুম অমদি তঙাইফদবশিংগী মতাংদা ৱাহং ৩৩ য়াওবা অকুপ্পা ৱারোলশিং লৌখৎকনি।

অনিশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা মথং চহিগী ফেব্রুৱারী থাদা পাঙথোক্কুনা মীকোক থিবগী থবক চত্থগনি।

**যোগাঃ** মোরাজি দেসাই নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ যোগানা শিনদুনা ঙসি তেলঙ্গানাদা যোগা মহোতসব ২০২৬ পাঙথোক্কনি। থৌরম অসি ১২ শুবা অন্টরজাতিগী যোগাগী নুমিৎ পাঙথোক্কদবা নুমিৎ ৫০ নিগী কাউন্ট দাউন্দগা মরী লৈননা পাঙথোকপনি।

কেন্দ্রগী আয়ুস মন্ত্রালয়না হায়-কাউন্ট দাউন্দ অসিনা তোঙান তোঙানবা প্রোগ্রামশিং লৈবাক শিনবা থুংবদা পাঙথোক্কুনা মীয়াম শরুক য়াবগী চাং হেনগৎহন্নবনি। মহাকা হায়-প্রোগ্রাম অসিদা যোগাবু পামজবা মীওই কয়া পাক্তক না শরুক য়ারক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

থৌরম অসিদা লৈবাক কয়াগী কন্সোল্ট জেনরেলশিং শরুক য়াগনি। মসিগী মথক্তা কেন্দ্রগী কোইলা অমসুং খোনি মন্ত্রি-জি. কিষন রেদ্দি, আয়ুসকী

রাজ্য মন্ত্রি-প্রতাব রাউ যাদবনচিংবা শরুক য়াগনি।

**এলপিজিঃ** নোংচুপ এসিয়াদা ইরাং লৈজরবসু লৈবাক অসিদগী চাকথোং গ্যাস এল.পি.জি. কঞ্জুমরশিংদা মরাং কায়না পীনবা সরকারনা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎলে।

পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রালয়না থোকপা চেরোল অমনা হায়-নোংচুপ এসিয়াগী ইরাংনা মরম ওইরগা খুদোংচাবা লৌদুনা নিয়মগী ৰাংমদা এল.পি.জি. সিলিন্দর পৈশিনদুনা থম্বা অমদি নারোন্দা য়োনথোকপশিং ফাগৎনবা সরকারনা অকনবা থবক পায়খৎলি। ঙরাংসু তোঙান তোঙানবা মফম লিশিং ২,৩০০ দা থিবা হুম্বগী থবক চথখি।

ওন লাইনগী খুথাংদা এল.পি.জি. সিলিন্দর লৌনবা বুক্কিং তৌবগী চাং চাদা ৯৮ তা হেনগৎলে। ওন লাইনগী খুথাংদা বুক্কিং তৌরকপা এল.পি.জি. সিলিন্দর লাখ ৫০ রোম কঞ্জুমরশিংদা ফংহনখ্রে। অসিগুম্বা বুক্কিংগী থৌশিল অসিনা নারোন্দা সিলিন্দর য়োম্থোকপগী খুদোংচাদবা কয়াদগী কনবা ঙমগনি হায়রি।

অমরোমদা, চহি অসিগী ফেব্রুৰারী ফাওবদা কিলোগ্রাম মঙাগী এল.পি.জি. সিলিন্দর লাখ ২১ লিশিং ৭০ য়োনবা ঙমখি। ঙরাং খক্তদা কিলোগ্রাম মঙাগী এল.পি.জি. সিলিন্দর লিশিং ৭৯ য়োনখি।

**আইপিএলঃ** ইন্দিয়ান প্রিমিয়র লিগ মেটচ অমদা ঙসি চেন্নাই সুপর কিংসকা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকা চেন্নাইগী চিদম্বরম ষ্টেদিয়মদা ঙসি নুমিদাং পুং ৭ মখায়দা শান্নরগনি।

ঙরাং জয়পুরগী সৱাই মান সিংহ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা-দিল্লি কেপিটেলসনা রাজস্থান রোয়েলসপু ৱিকেট ৭ তা থোইখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মে ডেগী প্রেস ছুতি ওইখিবনা মরম ওইদুনা ঙসি ইম্ফালদা পাউচে অমত্তা ফোংনদ্রে। অদুমওইনমক, চীং জিলাশিংদা ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ খরা লৌখৎচরি।

কোটুনা মে অহুমবু সেপেরেসন ডে হায়না লাউথোকখ্রে। নেসনেল হায়ৱে টু সটদাউন্দ তৌগনি হায়না গানফিয়ু মেলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

মনিপুর অমসুং মিজোরামগা ফাওনরিবা নেসনেল হায়ৱে ১০২ (বি) গী থোং নিংখায়খিবগী পাউসু পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ত্রাইয়েলস টু ত্রাইয়মফ হায়বা লাইরিক অমা তমেংলোংদা ফোংখিবগী পাউ-তমেংলোং টাইমসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।